# অনৌবা মতম ! কনাগী অনৌবা শায়োন?

‘অবতার’ হায়বা সংস্কৃট ৱাহৈ অসি মমিং লৈরবা ফিল্ম-মেকর ‘জেমস কেমরুন’না পামজবা ৱাহৈ অমা ওইনা থোকখিদুনা ‘টাইটানিক’কী মথংদা ‘অবতার’ হায়না মিংথোনবা ফিল্ম অমা পুথোক্লকখি। ‘ইনকার্নেসন’ (শায়োন) হায়বা ইংলিস ৱাহৈ, ৱাহন্থোক অদু শীজিন্নখিদে। করিগীনো? ৱারী অদোমদা চঙশিঞ্জরোই। ফিল্মদু নৈনবা ৱারেং নত্তে ইজনীংলুবা। পূমতোপ তোপ্পা ৱাখল অমা খল্লুবদগী লামশিল্লুবা ৱাহৈনি। অবতার/ইনকার্নেসন/শায়োন হায়বসি ৱাহৈগী ৱানি। শাংলবা মীওইবগী ইতিহাস অসিদা কনাগুম্বা অমগী থৱায়না, শাগোন্নরম্বা হকচাং অদু থাদোক্লগা (শিরগা) অতোপ্পা থৱায় পানবা অমা ওইনা (হুই, হৌদোং নৎত্রগা মীওইনা) মফমসিদা, মতমসিদা মথংগী মপোক অমা শায়োন ওইনা পোকখি হায়বগী প্রমান লৈতে। অদুবু, ৱারী ওইনদি লৈরম্মী - মিথ ওইনা, নোভেল ওইনা।

অদুগুম্বা মিথোলোজিগী ৱারীশিংগী মরক্তা খ্বাইদগী মমিং চৎপা ৱারীনি - ইন্দিয়াগী ‘দশাবতার’ (দশ+অবতার/লাংওন তরা)। ঙসিদগী চহী ১৫,০০০ রোমগী মমাঙদগী লীনরক্লবা ৱারীনি থাজনরিবা - মরু ওইবা হিন্দুগী লাই অহুম (ব্রহ্মা, বিষ্ণু, মহেশ্বর) গী মরক্তগী খ্বাইদই হেন্না মরু ওইবা লাই অমনা সত্য, ত্রেতা, দ্বাপুর অমদি কলি হায়দুনা মিংথোনবা যুগ মরি’সিদা, মপোক-লাংওন তরাদা শায়োনখিবগী ৱারী।

নীংশিংজরুরিবা ৱারীসি, ৱারীসিগী ৱারী-ৱাখুন-অচুম-অরান নৈননবা নত্তে। থবকসিগীদমক মতিক চাবা মীশক অদু নত্তে ঐ। তৌহৈদবদু তৌজরোই। অদুবু, তারুরবা ৱারীনিনা ৱারীসিনা খলহল্লি - ৱাখল কয়া মওল মওল। ক্রিয়েটর (ব্রহ্মা) অমসুং দেস্ট্রোয়র (শিবা) অনীসিবুদি শায়োন-লীলা (অবতার) শান্নহন্দ্রগা, প্রিজর্বর গোদ (বিষ্ণু) বুনা মপোক তরা শায়োনহল্লিবা করিগী? যুগ মরি অসিগী অহানবা, সত্য যুগতা তোঙান তোঙানবা মপোক মরিদা শায়োনখিবনি - (১) মৎশ্য (ঙা), (২) কুর্ম (থেঙ্গু), (৩) বারহ (ওক) অমদি (৪) নরসিংহ। অনীশুবা যুগ (ত্রেতা) দা শায়োন অহুমনি- (১) বামন (মী মচা), (২) পরশুরাম অমদি (৩) শ্রীরাম। মখোয় অহুম্না শায়োল্লমই হায়বইদমক ‘ত্রেতা (অহুমগী অপূনবা) যুগ’ কৌবনি’সু হায়নৈ। অহুমশুবা যুগ (দ্বাপুর) যুগ’তনা বিষ্ণুগী শায়োন অনীনি, (১) বলরাম অমসুং (২) শ্রীকৃষ্ণ। বলরামগী মিং অসি মফম খরদা ‘বলদেব’ নৎত্রগা ‘বলভদ্র’ হায়নসু খঙনৈ। অদুগা ইতিহাসকী গুপ্ত পেরিয়দ (শকাব্দ ৩৩০-৫৫০) অদুৱাইদগী গৌতম বুদ্ধগী মমিংসু কৃষ্ণগী মহুৎ দ্বাপুর যুগ’তা বিষ্ণুগী শায়োন ওইনা লৌনবসু য়াওরকখি। শায়োন মাপন অসিদি লাইরিকশিংগী মতুংইন্না যুগ অহুম অদুদা পোকখ্রবনি, মথৌ পাঙথোক্লমখ্রবনি। কলি যুগ লোইশিল্লকপদা, ফত্তবশিংবু লোইশিল্লগা, অফবগী যূম্ফম থোন্নবা দেবদত্ত কৌবা অঙৌবা শগোল তোংলগা, মখূত্তা থাঙশাং পায়দুনা অরোইবা (তরাশুবা) অবতার ওইনা লাক্কনি হায়রম্বা ‘কালকি’ কৌবা শায়োন’দুদি ঙসি ফাওবা পোক্ত্রিবরা? নৎত্রগা, মমাঙদা হান্ননা পোকখ্রবরা? ৱাখল লৈবা লৌশিংবা কনামত্তনা ঐখোয়গী পূক্নিং-ৱাখলবু শিংগৎহনবা ঙমদ্রি। ঐখোয়না পারকপা লাইরিকশিংদা থেংনরকই/ওজা-গুরুনা হায়রকই - ঐখোয়না হৌজিক লৈরিবসি কলি-যুগ অদুনি। ‘কালকি’না ‘কলি’ (কালি) কৌবা হিংচাবদু হাৎলগা যুগ অসি লোইগনি। যুগ অসি লোইরগা, সত্য-যুগতগী অমুক নৌনা মতমগী খোঙচৎ অমা অমুক হৌগনি... অয়াম্বা গুরু/মুনি-ঋষিশিংনা হায়রম্মী। অতোপ্পা মোদর্ন-স্কোলার/মিষ্টিক-গুরু খরনা অমুক হায় - মতমগী খোঙচৎ (যুগ) মখল মরিসি সৌর-জগৎ (সোলার সিষ্টম) অসিনা হেন্না চাউবা নুমিৎ অমগী অকোয়বদা, ইল্লিপ্তিকেল ওর্বিৎ অমদা কোয়না চৎপা খোঙচৎতুগী মমিংনি। খ্বাইদগী নকপা মফমদুদা লৈরিঙৈ মতমদুনি ‘সত্য যুগ’। খ্বাইদই লাপ্পা পোইন্ট অদু য়ৌরুরগা হল্লকপগী তাঙ্কক অদুনা ‘কলি-যুগ। থিওরিসিগী মতুংইন্না, কলি যুগ লোইখিবা চহী লিশীং অমা হেল্লক্লে, হৌজিক ঐখোয়না লৈরিবসি, য়েৎলোমদা চৎখ্রগা ওইরোমদা হল্লকপগী খোঙচত্তুদা ‘দ্বাপুর যুগ’ কী তাঙ্কক অদুদনি। মসিসু লোইগদবা চহী হুমফুতরামুক্তা ঙাইশিল্লক্লে। কোল্লমসিমক্তদা মতাং অনী থোক্লা হীরমসিদা ইজখ্রে, মতাংসিদা তেনশিল্লসি।

চহী ১৫,০০০ মমাঙগী ‘অবতার-থিওরি’ অসি নত্তবা, চহী ১৫০ মুক্তা ঙায়রিবা ‘দার্ৱিন’গী ‘থিওরি ওফ ইভোল্যুসন’ - মালেমসিদা থৱায় পানবশিংগী পুন্সি শক্তম তপ্না তপ্না করম্না হোংলকপগে হায়বগী ৱারীদুগা অমুক্তং চাংদম্নদুনা য়েংবা নুংঙাইনি। সাইন্টিষ্টশিংনা য়ানরে, মদুদি, মালেম (পৃথিবী) অসিদা ওইরকখিবা অহানবা থৱায় পানবসি, ঈশিং মনুংগী ‘ঙা’ নি (মৎশ্য অবতার)। মথংদা লাকখি - ঈশিংদসু কংফালদসু লৈবা ঙম্বা থৱায় পানবা, এমফিবিয়ন গ্রুপ (কুর্ম অবতার, থেঙ্গু)। ইভোল্যুসনরি প্রোসেস অসিগী মতুংইন্না, কংফালদতা লৈবা ঙম্বা থৱায় পানবশিং দিভেলপ তৌবা হৌরকখি - তূমিৎ, কাঙ, শা। শাশিংগী মরক্তো ‘ওক’ (পিগ/বোর) হায়বা জীবসি খ্বাইদগী কনবা, হাৎপা-ৱাবা, পাক শিয়ু য়াদবা শা মখল অমা ওইনা শিংথানৈ। অহুমশুবা অবতার ওইনা কংফালদা লৈবা থৱায় পানবা অমা খনগৎপদা ওক (লমওক) ওইনা খনগত্তুনা ‘বারহ অবতার’ ওইহনখিবরা! লন্নাই ওইবা ৱাখলনি। মথংদা লাকই - য়োংদই ওল্লি হায়নবা ‘মী’। ৱাখল খনবা ঙম্বা ‘শা’ নিসু হায়নৈ মীওইবা। মী অমা হায়’দুসু মপূম ফানা ওইদ্রিবা, শা হায়বদুসু ওইদ্রবা থৱায় পানবা অমা ওইরকপগী তাঙ্কক অদুগী শক্তম ওইনা ‘নরসিংহ অবতার’ শেমগৎখিবরা (হকচাংনা মী ওইরগা নোংশা মকোক পানবা খূজিন চাওবা শক্তম অমা) ? খন্থনীংঙাই ৱাখলনি। মীওইবগী ৱাখল’না প্রি-দোমিনেন্ট ওইবা, তাইবঙ অমা শেমগৎলক্ত্রিবফাওবগী মতমদুবু নেচরেল লো, ‘অচুম্বা’ হায়বদুনা লিভিং প্রিন্সিপল ওইরিঙৈ মতমদুবু ‘সত্য যুগ’ কৌরম্বরা?

মথংদা লাকই - ৱাখল খনবা ঙম্বা মী, বামন অবতার! মী মচা করিসু তৌবা ঙল্লোইদবা অমা মান্না লাক্লগা, ওন্ন-তৈনবা, খল্লুদবা, অঙকপা থবক ঙাক্তা তৌরকপা, চপ চাবা, মপূম ফারবা মী হায়বদুমক্তি ওইদ্রিবা। মদুগী তাঙ্কক অদু লোইখ্রগা তুংইল্লকই, মশাগী মতিক-মগুণ ফনা য়াম্না লৈরসু, মহৈ ফনা হৈরসু, মশাগী অশাওবা ফাথবা ঙমদবা, অফ-ফত্ত খন্থবা ঙমদবা পর্শুরামগী যুগ। পর্শুরামগী মতম লোইখ্রগা অমুক লাকই শ্রীরাম! পুন্সিগী অহকপা চৈনা-চৈথেঙ কয়া মায়োক্নরবসু, তাইবঙদা হংঙা মীকপ্নরকপদগী অরোয়বা মীকূপ অদু ফাওবা মপাগী নুংশি মীৎয়েং ফংখিদ্র’সু, ফংফম থোকপা নিংথৌ খুভম পীদ্র’সু, পুন্সি-খোঙলোয়মক্তুবু অতোপ্পা নিংথৌনা মুনখ্র’সু... মহাক্কী মায়থোঙদুদা অৱাবই মমি তাদবা; অশাওবা, অকিবা, নুংওনবা, কল্লকপনচিংবা পূক্নিংগী য়েক্নবা পূম্ববু খুদুম চন’ঙম্বা, ফিদম্লিংঙাই ওইবা মীওইবা ‘শ্রীরাম’!

মীওইবগী পাঙ্গল-শক্তিগী পান্দম্নফম, হায়বা ইনবা মপারি, ফিদম্লিংঙাই ওইবা ‘ময়াম্বা’ অমসুং ‘মপুরোইবা’, লৌমীশিংগী ‘লাঙ্গোল’বু খূৎলায় ওইনা শীজিন্নবা ‘বলরাম’ দ্বাপুর যুগতা বিষ্ণুগী অহানবা শায়োন্নি। মাপনশুবা অবতার ‘শ্রীকৃষ্ণ’-মীওইবা অমনা চেনগদবা গুণ পূম্নমক শুনা লৈতেংলবা, অৱাৎপা অমত্তা লৈত্রবা... মালেমদা নুংশিবা মশক তাক্লম্বা, তোল্লবশিংবু কনবীবা, লৌশিং-পুক্কে-ৱাত্তবা, য়েক্নবশিংবু মাঙহনবা, মরুপ মশক তাকপীরম্বা, পোলিটিক্স অমদি এদমিনিষ্ট্রেসন’ দা মপা লৈত্রবা - পর্ফেক্সনগী সিম্বোলনি। কনাগুম্বা অমগী শায়োল ওইনা লাক্লম্বনি, মালেমসিনা লৈখা তারকপা, ফত্তবনা লাঙ্গোই চল্লক্লবা মতমদুদা ধর্ম্মগী যূম্ফম থোন্নবা, যুগ খুদিং শায়োল্লকখিগনি হায়রম্বসু কৃষ্ণ মথন্তনি। হৌজিক, নিউরো-সাইন্টিষ্টশিংনা হায়রক্লে - মীওইবগী ইভোল্যুসনেরি দিভেলপমেন্ট মখা তানা তৌররোই, ইট ইজ জষ্ট নোট পোসিবল। সোলর সিষ্টম অসিদা অচৌবা অহোংবা অমা লাক্ত্রিমখে, হ্যুমেন বিইং, অমুক অনৌবা শক্লোন লৌররোই।

‘কালকি’ কৌবা তরাশুবা শায়োন’দু কনানসু মশক খঙখিদ্র’সু ‘কোরোনা’ কৌবা শকউদবা (নন-লিভিং ওর্গানিজম) অমনা মালেমগী মশক ওলহল্লম্লিবা, মীওইবগী পুন্সি শক্তমদা অচৌবা অহোংবা অমা লাকহল্লিবা অসিদি কনাগী করম্বা অবতারনো? নুংশিবা হায়বসে অমনা অমগী মনাক নক্লুদবা, নায়তোম নায়তোম লৈনবা ঙম্বা অদুনি। মহৌশাই শক্তম কন্নবা মীওইবা নখোয় অমগা অমগা তিন্নগনু, লেঙদনা লৈয়ু নয়ূমদা - কোরোনা’না পীবা পাউজেলনি।

অনৌবা ফিজোল শেত্তুনা, সনা লুপানা লৈতেংদুনা মীমাঙ থোকপগী লেমজবা মাঙখ্রবা; মন্দিরদা, চর্চ’তা, মসজিদ’তা শোনবা লাইশোন কনাগী নাকোংদসু য়ৌরমদ্রবা; মপুগা মনাইগগী মরক্তা খেন্নবা কৈসু লৈত্রবা; য়েক্নবা খুদুম চন্নবা বোম-তোপ-নোংমৈগী মফম লৈরক্ত্রবা... করম্বা অনৌবা যুগনো? কনাগী করম্বা শায়োন্নো? ৱাখল লীশাং থামিন্নসি। ... পাখঙবগী মমীত্তা তূমিৎ-য়ুরান পাইররনি, লৈখিদবা থৱায়না ৱাতোন উতোন্দা লাউররনি, মতমদুদদি ইচাশা, যূমদই মপান থোক্কনু, লৈয়ু নুপী শাদুনা... পুয়াদা তাক্লম্বা মতমদু পুংফম অসিরা?

*-সোইবমচা ইন্দ্রকুমার*

# নুংশিবা থাজবা অমসুং কৎথোকপা হায়বসিদা যূম্ফম ওইদুনা শাগৎলকপা ‘অশেংবা মরুপ’ শৈরেং লাইরিক অসিনা পীনীংলিবা পাউজেল

হৌজিক্কী মতমদা অশেংবা মরুপ অমা থিবা হায়বসি অরাইবা অমদি ওইদে। মতমসিনা পূম্নমক হোংহল্লে। মসিনা হোংলক্লিবসি মীওইবগী পুকচেল, লমচৎ-শাজৎ, পুন্সি-মহিং, থকসি-খাসি, তৌহৈবা-তৌহৈদবা কয়া অমা মহৌশাগা মান্নদবা মওং অমদা শাথীনা হোংলে হায়বসিমদি পূম্নমক য়ানরবা ৱাফম অমা ওইরি। অহোংবা অওনবা হায়বসি মীওইবা খুন্নাইগী মচৎ অমা ওইরবসু ফত্তবা লম্‌দা অহোংবা লাক্লবদি মদু পূম্নমক্কী অমাঙবা হায়বদু অমুক ওই। অচৌবা জাতি, মীশিং য়াম্বা খুন্নাইগা চাংদম্নরুবদা মণিপুরগুম্বা অপিকপা খুন্নাই অসিদা লাক্লিবা অহোংবা কয়া অসিদা অফবা ঙাক্তা অহোংবা লাকপসু ওইদে। মীশিং য়ামজদবা কাঙলূপ ফুরুপ কয়ানা খুন্দাবা মণিপুরদা থোক্লিবা থৌদোক-ৱাথোক, আইদেন্টিটিগী ইস্যু, কলচর অমসুং ত্রেদিসন্দা লাক্লিবা অপিকপা অহোংবা, লেপ্তুনা মীশিং য়ামখৎলকপনা ওইহল্লিবা খুদোংচাদবা কয়া, লায়রবা ইনাকখুনবা অনীগী মরক্তা লাক্লিবা শম্বল, মী অমগা মী অমগগী মরক্তা লাক্লিবা থাজনদবগী চাং, তাহে উহৈদবা থৌদোক, অশেংবা নুংশিবা থিবদা ৱারক্লবা মতম অসিগুম্বা ফীভম কয়াসিনা খুন্নাই অসিদা লৈরিবা খরা হেন্না সেন্সিটিভ ওইবা মীওই কাঙলূপশিংগী মরক্তা অমা ওইরিবা অইবশিংদসু নুংনাংবা, লৈতাদবা, থৱায় ৱাজবা অমদি তুংদা করি ওইহৌগনি খঞ্জবদা তূমিন্না লৈবা ঙমজদে। শৈরেংবু মেদিয়ম অমা ওইনা শীজিন্নদুনা খোরিরোলদা মখোয়না পূক্নিংদা ফাওরিবা পূম্নমক অদু ইথোক্লক্লি। পুন্সিবু লুনা খঞ্জবী অইবী তাওরেম ওংবী সুনিতিবালা পুন্সি ঈপাক ঈয়াইদা কলমনা নৌরেল ওইদুনা হিহোল্লক্লি। থিরক্লি ঈথক ঈরৈ মরক্তা ‘অশেংবা মরুপ’ অমা।

তাওরেম ওংবী সুনিতিবালা (খোইস্নাম সুনিতিবালা দেবী) ইম্ফাল ইষ্টকী নোংমৈবুং ৱাংখৈরাকপম লৈকায়দা কুমজা ১৯৭০দা পোকখি। অইবীগী শৈরেংশিং মণিপুরদা লৈবা খোরিরেলগী লূপশিংনা ফোঙবা চেফোঙশিংদা হাপ্তুনা লাক্লি। হান্না লাইরিক অনী ‘পোনগী চেক্লানি ঐ’ (২০১৫), ‘অমম্বগী লন্থীসিদা’ (২০১৭) হায়রিবসি মণিপুরী খোরিরোলদা খুদোল তমখ্রে। ‘অশেংবা মরুপ’ (২০২১) অসিনা অইবীগী অহুমশুবা লাইরিকনি। শৈরেংগী খোমজিনবা লাইরিক অসিদা পূন্না শৈরেং ৪৮ য়াওরি। লাইরিক অসি হৌজিক্কী মীরোলনসু পাবদা হেন্না খুদোংচানবগীদমক মৈতৈ ময়েক্তসু য়াওরি। শৈরেং লাইরিক অসিমক অইবীগী পলেম অমসুং পন্থৌগী মফমদা কৎচরি অদুগা য়াইফ থৌনিজরি।

খোরিরোলদা পুন্সিগী মমিশিং ময়েক লানা হেক হেক য়েক্লি অইবশিংনা। পুন্সিগা হেন্না নকশিন্নবা ঙল্লিবমখৈ খোরিরোলগী পোথোক অদু হেন্না ফজৈ মতম পূম্নমক্তা হিংদুনা লৈ। অইবী সুনিতিবালাগী শৈরেংশিংদসু অসিগুম্বা হিংদুনা লৈহৌরগদবা ৱাহৈশিং য়াওরি। ৱাহং কয়াসু হংলি পুন্সিনা পুন্সি কয়াদা। নাইতোম তারবা, মরূ-মরাং কোক্লবা হন্না য়েংবদা কনাসু মনাক্তা লেপ্লদ্রে খল্লকপা মীকুপশিংদা থিরক্লি মহাক্লা অশেংবা মরুপ অমা। অদুনা হায়রক্লি, *ঐনা য়াম্না ৱারবা মতমদা/চোংথোক্লকই...মীৎমাংদা হেক হেক লেপ্পীরৈ।/...নহাক্তনি ঐগী মরুপ/নহাক্তনি ঐগী মীৎলু পিরাং/নহাক্তনি ঐগী অশেংবা মরুপ* । অশেংবসুনি পিরাংগী মরুপতি অৱাবনি, নীংবা কায়বনি, থম্মোয়গী খাংঙমদবা মৈচাক অদুনি। শিন্থদবদি নত্তে নুংঙাইবা মীকুপশিংদসু অদুবু মদু হরাওবগী ফিজং মরুমদা মীনোক্লা খুমজিনখি। থম্মোয় মৈশাদি নীংশিংবা খুদিং ৱামৈগুম্না মৈচাক হেলহল্লি। অইবীগী মথানুংদগী পিক্লিবা মচানুপা অমা মনুং মতম চাদনা লায়না অমনা শেৎনা খায়নখিবদা পুহৌরিবা মৈচাক অসিমক অইবীগী ৱারোলদা পনবা থেংনৈ। থৌদোক অসিনা মরম ওইদুনা মচা খায়না মৈচাক খাঙবদা অহিং কয়া, নুংথিল কয়া শৈরেং ইখি হায়না পল্লম্মী। করম্নদি খাংঙমগনি খায়না মৈচাক। মমানা মচাশিংবু নুংশিবদি শিবসু নাইদে, ময়েং তাবা হায়বসু লৈতে। মচাগীদমকনি হায়রবদি শিবা হায়বদুসু নাচুংদে। অকিবা হায়বদুসু লৈতে মমা ওইবীশিংগী মফমদদি। পুন্সিদা থোকপা থৌদোক অদুগী মৈচাক পুবা হন্থনবা হোৎনবদা শক্লোন অমদা শৈরেংবু থৱায় হাপ্লদুনা লেপ্তুনা ইরক্লি, হংলি ৱাহংশিং, **‘ৱাহং’** *লাকখি ৱাহং কয়া পুদুনা/চৎখি ৱাহং কয়া হংদুনা/করিগী লাকখিবা/করিগী হনখিবা/লৈরমগনি মরমদি/অমা শোয়দনা নঙগী.../কয়াদা ৱাহল্লবা/থম্মোয়সে ঐগী/ৱাহং কয়ানি হংখিবা ইথন্তনা/পাউখুমদি ফংদনা...* তশেংবসু পুন্সি হায়বসি মৈচাক খাংবা তম্লুনবা লাকখিবা খোঙচৎ অমা ওইগনি। ৱাহংতনা লাঙ্গোই চন্দুনা মাগী ঐগী মতম হায়বদু লোইবা ঙাইবনি। পূম্নমক অসিদা আশা অমদি পীরি নুংশিবা শৈরেংনা। অদুনা অইবীনা ইরক্লি, ***য়েন্নীংথা লাকপদা*** হায়বা শৈরেংসিদা, *‘ৱাকচিং উলেন খাঙবদা/মনা হুপ্পা কেল্লবা/থৱায় য়াওদ্রবা পাম্বীরা?/লেপকং কংলবা উপাল্লা?/ফাইরেলগী লৈচিল তুংওইননা/হল্লকখো অমুক মালেমদা/য়েন্নিংলো, মীকপ থোক্লো।/ঙরাংগী ওলাংলবা অহিংদু/পোথানদ্রবরা জীব নখোয়সু/তারিনে চেক্লাগী খোঞ্জেল/মরোল শুদ্রিবা তেতুরা?... অমমম অঙান শিন্নখ্রে/তাইবঙ পূম্বা য়াহৌনরে/লৈগী লৈনমসু য়েল্লরে... শিন্থা পাঙনবা হৌদোক্লরেনে/পাউজেল ওইনা লৈনম্না।*

মমা মপা ওইবশিংনা মচাশিংবু নুংশিজবা, মপু মবেন্না মশুশিংবু নুংশিজবা, মখোয়গীদমক্তা খঞ্জবা, ৱাজবা, মচা মশুশিংগীদমক য়াইফনবা খঞ্জবা মসি তাইবঙগী লীচৎনি, হৌনবীনি। ময়েং তাবা লৈতে মখোয়গী নুংশিবা অমদি কৎথোকপদি। মৈতৈশিংগী যূম্বাল্লোন্দা য়াওরিবা নুংশিরবা চৎনবী অমা অইবীনা লাইরিক অসিদা ফজরবা থিম অমদা শাগৎলগা য়েক্লক্লিবা ‘নাহোং ফি’ য়াম্না নুংশিবা শৈরেং অমনি হায়না লৌজে। ফজরবা সিম্বল অমদা পুথোক্তুনা ইরিবা শৈরেং অসিদা পুরিবা পাউজেল অসি অচম্বা নত্তে। *ইরমদমগী ইয়োংদা শাজবা,/ইরমদমগী চৎন-লোনচৎনা লৈতেংবা, থাবুম মশীং শুরেদো তাকচবা,... মপু-মবোকনা মশুগীনি খুদোলজবা,/পারি-মমোমগীদি নাওকোন ফি,/নাহোং ফি। নাফোং ফি!/খোঙকাপ শুবা ঙমজদ্রিবা মচাবু,/হানৌ শাইগুপ্পা কুপ্লম্বদাই মশাপুম্বা,... মতমদু হৌখরে, মতম’মা মাঙওইনরক্লে,/ওইহন্নীংদে খুয়াগী ফদি,/হুন্দোকপীগনু কনা খঙদনা, নাহোং ফিবু লমহাংদা,/মফম খঙদনা লমহাংদা* । অমুক্তং তাঙনা ফংবা মীওই মপোকপু য়াম্না লুনা খঞ্জবী অইবীনা পোকপদা ঙাইরিবা অঙাংশিংবু নাফোং ফি অমদা য়োমদুনা লমহাংদা, নারক মোংশোংদা হুন্দোকপগী থৌওংশিংবু পেঞ্জদনা য়েক্লি। মীনুংশি চেন্দ্রবা অদুগুম্বা মমা মপাশিংদুদা পুন্সিগী ৱাহন্থোক খঙহন্নীংই। মতমসিগা য়াম্না মরী লৈনবা শৈরেং অমনি হায়না লৌজে।

নোংজু পান্থাসু লাক্লে হৌজিক লৌমী শিন্মীশিংদি থৱায় ৱাজরি মরমদি অঙৈং অশাগী খল কায়রে। লৌ পানগদবা মতমদা নোং মতম চানা চুদ্রে। মহৌশাগী খল কায়বদা নত্তনা মীওইবসু মহৌশা ওইদ্রে। লায়রবনা অসুম লায়রবা অদুগা ইনাকখুনবনা অসুম ইনাকখুনখিবা অসিগুম্বা ফীভম অসিদা লৌমীশিংগী পূক্নিংগী ৱারোল অদুমক থল্লক্লি **‘ঐদি লৌমীনি’** হায়না মিংথোনবা শৈরেংদা, ঐদি লৌমীনি/নোংজু নুংশা খাক্তনা/তীনফা কাকফৈ মরক্তা/লৈখোম লৈনাংনা ইতৈ তৈ/... ষণ পাবোৎ মাংদা থা/লাঙ্গোল খূশুনা চৈসু ওই.../লৌবুকনা ঐখোয়গী থৱায় ওই। থবক্লা ঐখোয়গী পুন্সিনি/... লৌমী ঐখোয়গী পুন্সিসে কনানসু মীথানবীদে.../তোঙান তোঙানবা শিনফমদা থবক তৌরিবা মীওইশিংবু অইবীনা চপ মান্নবা মীৎয়েংনা য়েংদুনা মখোয়গী পুন্সিদা চংশিন্দুনা য়েংলুই। মসিদা থেংনরকপা অমদি পূক্নিংদা ফাওরকপদু ইরক্লি **‘অথোইবা লান্মী’** হায়না মীংথোল্লদুনা। হায়রিবা লান্মীশিং অসি অতৈ কনাসু নত্তে চাওর-চাওরবা গাড়ীশিং মণিপুরগী থেক্লা খোয়রবা চীং লন্থীদা নোংজু নুংশা নাইদনা মীয়ামসিনা শীজিন্নরিবা চঙদবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং মপাল লৈবাক্তগী পুশিল্লক্লিবা নেসনল হায়ৱেশিংদা গাড়ী থৌরিবা মখোয়গী পুন্সিবু শৈথাবনি। মসিসু নুংশিরবা শৈরেংশিংগী মরক্তা অমনি। মান্নবা মীৎয়েংদা অমদি মখোয় মখোয়না পায়রিবা অপিকপদগী খ্বাইদগী চাওবা শিনফমদা লৈরিবা মীওইশিংনা অচৌ মচা খায়দনা অমনা অমবু ইকায়খুম্নবা মতমদুদা চাওখৎপা লমদম অমদি শোয়দনা ওইগনি হায়না চেৎনা থাজৈ অইবীনা।

মহৌশাগী মশকপু হেন্না ফজহল্লিবা চীং, পাৎ, তুরেল, উমং-ৱামং পূম্নমক অসিদা অশৈবা কবিশিংনা ঙাওনবগুম্না অইবী সুনিতিবালাসু অদুমক থৱায় লুপচৈ। মহাক্কী শৈরেংশিংদা মহৌশাগী পোৎশকশিংবু পার্সিনিফাইদ তৌদুনা শোকচিল্লক্লিবা মালেম তাইবঙপাল অসিবু কঞ্জনীংবগী ঈহুলশিং নুংশিবা ৱাহৈনা অপাবশিংগী পূক্নিং চিংশিল্লি। অদুনা ঈশিং, উনিংথৌ, উ থম্বাল ঈয়াইগী থম্বাল, উপাল অসিনচিংবা শৈরেংশিং ইরি। শঙাইগী তেংথাখোল, মৈতৈ নুপীশিংগী থৌনা, নুপী লানগী শৈথা শৈরেং অসিনচিংবা থিম কয়াদা চংখোন্না শৈথারকপা অসিমক পূক্নিং থৌগৎনীংঙাই ওই। ইমা লৈবাক মণিপুরবু মহাক্লা কয়াম নুংশিজবগে হয়বদুসু শৈরেং খরদা ময়েক লানা ইরি। মতুং তারকপা পুন্সি খোঙচৎতা লেপ্তুনা কলম পায়দুনা মণিপুরী খোরিরোলদা খুদোল তম্বীরকখিগনি হায়না থাজবা থমজরি।




লাইরিক্কী মমিং :-
**অশেংবা মরুপ**

অইবী :-
**তাওরেম ওংবী সুনিতিবালা**

অফোঙবা :-
**দ কলচরেল ফোরম, মণিপুর**

লাইরিক্কী মখল :- **শৈরেং**

লাইরিক্কী মমল :- ২০০/-

লাইরিক্কী লমায় মশীং :-
**১৪৪**

**— তোংব্রম অমরজিৎ**

## ৱারী ককনাউ

# শাজৌগী খূবী

কোরোনা মরকসিদা হন্দক মরকসি শাজৌদু ৱাখল মওন-মওন খল্লি। শূফম-নোম্ফম লৈতবগীনে, চানীংঙাই-থক্লিংঙাই লৈতবগীনে, অৱাৎপগী-অৱাৎপা ঙাক্তা। লৈতবনিনা মাগী নুপী ইবেল্লেগসু ঙহাক লৈতনা শাওনরে। লৈ-লৈতে খঙদে পুকতি মতম হেক য়ৌবগা গোরোঙ-গোরোঙ খোংদুনা লাম্মকই। যূমথংনবদগী হেন্দোক্তুনা যূমলোন তরামুকসিদগী মোই ইমুংনা পুদবা চেঙ, ঙারি, থাও, থুম লৈত্রে। ময়ামদুনসু মোইসিনা খরা শোল্লবনি হায়না হরাও হরাও মতেং অদুম পাংবী। অদুবু তোয়মল্লক্লবদি মশক য়েংনীংলক্তবা ফাওরবরা কৈনো খঙদে, কৌরসু নিংথি নুংঙাইনা খুম্বীদে। পূম্নমকসি শাজৌ লোইনা খঙই। অদুবু কনাদা করিদি হায়রুনি।

লোকদাউন হায়দুইরা কর্ফিয়ু হায়দুইরা তৌশিন্দনা মী অমত্তা মপান থোকপা য়াদ্রে। থোঙ্গালদা ঙাইহাক লেপ্পা ফাওবা পুলিসনা খোন ৱাওরি-ৱাওরি মোইগী জীপসিগী গাড়ীদা নপ্পা মাইক্তা লাউরকই। পাম্বৈ লৈত্রবা শাজৌ, পাম্বৈ লৈতনা অমুক হঞ্জিল্লি। তৌফম খঙদ্রবা শাজৌদু ৱাখলসি কাই কাইদৈনো য়াম খল্লি। থৱায় কৌবনিনা, অরাম খৌরাংবদি লৈতে হায়বা খঙদবনিনা পংলামদা লামশিল্লকই। শাজৌ শোয়দনা ৱাখলগী লায়না হায়দু নারবরা খঙদে, মচি-মচিদা য়াম্না খল্লি। মাগী ৱাখলসিনবু সুম হেনজিল্লক্লদি শাজৌ মমৈথংদা কৈনোমা শোয়দনা তৌরক্তৌরি।

“ইমুংদা লৈরে, মাগী নুপীনা লৈতবগী ইশৌ লাংই, মাসু থৱায়নিনা অরাম্বা ফাওরিবনি, অদুনা শাওজরিনি, ইমুংদসু লৈফম খঙদবা, মপান্দা থোক্তুনা থবক থিগদবসু শূফম নোমফম লৈতবা, থোঙ্গালদা লেপ্পা ফাওবা লাউ খোংদুনা ইমুং চংঙো হায়না তানশিনবা, করিনো হৌজিক তৌদৌরিসিবো? লায়রবা মখৈ লোইনা হাৎলগে হায়রিরা?” অমুক ফুক লাউনা হৌগৎলি, মনিংথোঙলোমদা থোক্লগা ইঙ্খোল মচিদা হৌরিবা হৈনৌ পাম্বীদুগী মখোঙদা অমুক ফমথৈ, ফমথবগা ৱাখল অমা অমুক লাকই।

“থংনবা এ সীগীদি মোইগী এম এল এদুনা ময়াম ৱানরিঙৈসিদা মতেং খরদা ওইরসু হায়দুনা যূমথোঙ খুদিং চেঙ, হৱাই, থাও, থুম, ঙারি, কোবি, তিলহৌ অমদি অতৈ মনা-মশিং য়াম-য়াম য়েল্লি হায়। মাদা নত্তনা ভোট লেপকদৌরিবা মোই মরিমুক্লসু পংয়েন্দা য়েল্লি, মোই মশেন য়েনবা ফজবা তান্নবদা যূমথোঙ খুদিংমক লোইনা মশা মউদু কামখৎতনা লোইনা নোইরে হায়না তাই। অদুবু শাজৌহোয়গী এ সীদদি কনামত্তনা তুমিৎ ফাও পাইরদে। উফুল মরীক অমা, ঙাচক অকঙবা মচেৎ অমা ফাওবা য়েল্লদে। শাজৌদু মসিদা ওইরে ৱাখল নুংঙাইত্রিসে। নোং ফাদোক্তসু লাক্লগা নোই য়াম ৱারম্মনি হায়দনা অচা-অথক খরা পুবিরকপনি ‘সে সে...’ হায়দনা চেঙ কেজি অমত্তা ওইরসু, হৱাই পৱা অমত্তা ওইরসু য়েনবীয়ুদনা। কনামত্তনা চেক লাউরদ্রে।” অমুক হৌগৎলি, চাকশঙদা চঙলগা ঈশিং খরা অমুক থকচিল্লি। মাঙ্গোল্লোমদা অমুক থোকই, মাগী নুপীদুসু তুকথরগা মাঙ্গোলগী ফক্লাংদা ঙারগা মংলগা লৈরম্মী। মাসু মচি অমদা ফম্মগা খল্লি। শাজৌনা ফম্না ফম্না থবক শূবদা থোইনা তকপী-নানবীদ্রবা ইকায় কায়রবা মাগী খুবীদু পুথোক পুথোক্তুনা তোয়না তোয়না য়েংই। খুবীদুদা মখূৎনা তোয়না নানজৈ, মুন্না য়েংজৈ।

“মমাঙগী মীখলদা মহাক্লা ভোট পীখিবা নুপাদুনা কারিবনি, এম এল এ ওইরিবনি, নোংমতা লাক্তবসিবু করিগীনো। ফৈ হন্দক্তি কুইদ্রেদনা ভোট তৌদৌবা, খঙনেবা মোই” হন্দক্তি খুবীসি মথৌ ফজনা পাঙথোক্লগে”

তাঞ্জাসিদা থোঙ্গাললোমদা মাস্ক অহন-অহনবা উপ্পা নুপা অহুম-মরিনা মতুং ইন্নরগা এ সীগী এম এল এদু মনাতোন্দা মাস্ক অনী লোল্লগা উপ্পী, মথক থংবদুদি এন ৯৫ হায়দু উপ্পগা চঙলকই। মশকফাও লোইনা উবা ফংদে। মমায়দু খরগা পিক্লে, লোইনা খুমজিনখ্রে, মমিৎ অদুগা মরাইবক মচেৎ অদুগতনি উরিবা। শাজৌনা চঙলক্লিবদু উই, অদুবু মহাক খিত্তফাও লেঙদে। নুপীসু থোইনা লেঙদে। মরমদি মোইনা লাক্লিদু করিমতা য়াওরকপা উদে, ময়োম মচা অমতং য়াওরম্মদি খরসু ফগদবা। এম এল এদু চঙশিল্লক্লগা কৌরকই।

“তা শাজৌ, ঐ লাকইয়ে, অনা-অয়েক য়াওদেকো”

“য়াওদে” য়াম তন্না খুন্মী শাজৌনা।

“নাদ্রিদো য়াম ফরবনি, হৌজিক্তি য়াম্না নানরে, তা শাজৌ চেকশিনসিকো, য়ারিখৈ মপান থোকপীগনু, মাস্ক উপ্পা কাউবীনু...” করি করিনো য়াম্না ঙাঙই লেপ্তুনা। ঙাঙলিবশিংদু শাজৌ খোইজংনা তাদে। মরমদি মপান থোকপদা উপ্পবা মাস্ক ফাওবা লৈবা ঙমদে। অদুনা ফি অমনা মনাতোন খুম্মগা থোক্লিবনি। করিদি পাম্বৈ লৈ। এম এল এদুনা করি করি হায়খ্রবনো খঙহৌদে। অকোনবগী ৱাদুমদি নাখৈ শেংনা তাহৌই।

“তাদা ভোট কুইদ্রবনিকো, ঐদি তাদহোয় ময়াম লৈরি হায়না চাউথোকচরিবনি। ঐ কনা কনা অনা অয়েক য়াওগে হায়না মথং-মথং চঙজরকপনি। ঐ অমুক খুরুমজগে তাদা”

“অমুক্তা ঙাইবীখো”

“করি তৌরে তাদা?”

“ভোট হায়দু কুইদ্রবরা?”

“কুইদ্রেবো তাদা”

“হন্দক্তি ঐগী খূবীসি মথৌ ফজনা পাঙথোক্লনি”

“কৈনোনে হায়রিসিবো?

“নয়াম্বগী খূবীসি মফম চানা ভোটতা শীজিন্নরনি”

“অদুনে তাদা ঐনা লাকচরিসিসু, হন্দকসু শোয়বীবা য়াদে”

“ঐখোয়দি নোংমগী অফংবা থবক শূরগা চাজবনি। কর্ফিয়ু লৈবদগী মপান থোকপসু য়াদ্রে। চানীংঙাইসু লৈত্রে। অসুক ৱারবা মতমসিদা, কনামত্তনা করিমতা হায়রদবা হায়বসি ঐগী খূবীসিনা মফম লান্না শীজিন্নখিবনা ওইগদ্রা হায়না খল্লি। অদুনা হন্দক্তি খূবীসি মফম চানা শীজিন্নরনি”

“তাদৈ ৱাতাসি কৈনোমনিনা?”

“কৈনোমনি”

“ঐ খঙজরে, করিসু ৱাবীরুনু, হোরেন নুমিদাং তাদগী অৱাৎ অপা করিনো খরা য়েংজরগে, ঐ অমুক্তা পাকথজগে...” খুরুম্মী, শাজৌদি ওক্তে।

“তাদা ঐ চৎলেকো” হায়রম্মগা অদুম থোকখ্রে। শাজৌনা মাগী নুপী তম্না য়েংলগা হায়রকই।

“ইবেল্লে হন্দক্তি খূবী লোৎলসিকো, খূবীসি পংথাং থাংদোকপা য়াদ্রে কো”

**— নরেন্দ্র নিংঙোম্বা**

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।